থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# চীনবানগী মোমোন মীনোক মুনবীখ্রবা মীয়াম


কোভিদ-১৯, কোরোনাভাইরসকী ৰাফম, ঐগী থম্মোয় পাউদম কাখলসিদা অমুক নীংশিংলক্লে। ইনীংদুনা ইবা নত্তে, ইদ'-য়াদ-পুংফম লাক্লে খন্দুনা কলম অমুক পায়খৎলিবনি। কনামত্তই মৰা লৌদ্রবা, তৌনীংবতা তৌবা লৈঙাক-ওথোরিটি অসিদা করিমত্তা হায়নীংঙাই লৈতে। মতাং মতম চারিঙৈ, মীয়ামগা লোয়ননা তৌমিন্নবা য়াবা তৌনবা, মীয়ামগী খোল্লাউগী খোন্থাং ওইবা পাউদম কয়া কাখলসিদা ইখিবা, কনাগী মনাদসু হাপখিদে। অদুনা, ঙসিগী তানফম অসিদা হায়নীংবা কোঙ্গায় লৈর'সু করিমত্তা ইররোই।

অদুবু, ওইরক্লিবা পোলিটিকল দিভলপমেন্ট অসিনা, পূক্নিংসিদা ফাওহনবা চিংনবা অমখকসিদি হায়দোকচবা তা'মাল্লে। কোরোনাগী লানচিং পুরেন ওইবা মকোক চিংফম থোকপা হেল্থ-মিনিষ্টরনা জ ুন ১৭তা খঙহৌদনা ফম থাদোক্লগা লৈঙাক্তা শৌগৎপা তোক্তুনা, অচৌবা লানহৌ অমা ওইগে তৌরম্বা পোলিটিকল দ্রামা মচাদুগী সেন্ত্রেল ক্যারেক্টর ওইনা চোঙথোক্লম্বা ওইবনা মানা হায়রম্বা দাইলোগ মতেক খরদুদি ঐখোয় কাউবা শুকঙম ঙমদে ... হেল্থ মিনিষ্টর অমা ওইনা, কোভিদ-১৯-হোস্পিটাল ওইহনখ্রবা জেনিমস'তা চঙবই অয়াবা চীফ মিনিষ্টর'না পীবিদে ... কলচর মিনিষ্টর ওইনসু কংলা'দা য়েংশিন'-খোঙচৎ চৎপা য়াহন্দে ... হেল্থ-মিনিষ্টর অমা ওইনা, হেল্থকা মরী লৈনবা ৰারেপ অমত্তা লৌবা য়াহন্দে...। অসিনচিংবা ৰাকৎ কয়াসিদা যূম্ফম ওইদুনা লানহৌ অদু হৌখিবনি। অতাবশিংনা খনখি - মাগী ৰাহৈশিংসিনা চুল্লবদি হৌরকখিবা লানহৌ অদু হৌফম থোকই, অচুম্বনি। কেরেলাগী 'হেল্থ এন্দ সোসল ৱেলফ্যের মিনিষ্টর, কে কে শৈলেজা'না ইন্দিয়াগী অহানবা কোরোনাভাইরসকী কেস থেংনখিবা ষ্টেট'তুদা লৌখিবা থৌদাংদুগীদমক্তি মালেম শীন্না শীংথানখি। জুন ২৩, ২০২০দা 'য়ুনাইটেদ নেসন্স পব্লিক সর্ভিস দে, ২০২০' দা পাঙথোকখিবা 'পেনেল দিস্কসন' অদুদা মহাক্লা কোভিদ-১৯ মায়োক্লবদা লৌখিবা থৌদাংদু শৈথাদুনা ৱা ঙাঙহনখি।

হৌজিক, মণিপুর-কোভিদ-১৯-এক্সপরিয়েন্স, মায় পাক্ত্রে, মায়থীরে হায়বসিমদি নাখৈ শেংলে। ইন্দিয়াগী মফম অতৈগুম, পাম্বৈ লৈতদুনা, তৌফম থোকপা খরদু তৌরি হায়বা থোক্লবা তৌরগা, মানা-মানা থোকপা ঙম্ন-ঙম্নবা হিংজরসনু হায়দুনা থাদোকপগা পাংখক্নি। মায়থীরবা লান অসিগীদমক কনানা থৌদাং লৌগদগে - হেল্থ মিনিষ্টর? নৎত্রগা চীফ মিনিষ্টর? মায়থীরে হায়বসি য়ানীংদবা, হৌজিকসু মখা তানা লান্থেংনরিবা লান'নী হায়রগনা, হৌজিক মিনিষ্টর জয়ন্তকুমারসু পোলিটিকল বেট্টল মচাদু মায়থীদুনা উচিদা হনজিনবগুম হনজিনখ্রবনা, কোরোনাগী লানসিদা মহাক্কী থৌদাং করম্না য়াদৌরি? হান্নগুম চীফ মিনিষ্টরগী মরুমদা মমি ওইনা লেপ্পা হেল্থ-মিনিষ্টর ওইনা? নৎত্রগা, মথৌনা মরীংজেল ফুদোকপা ঙম্বা, শক্তি লৈবা মিনিষ্টর অমা ওইনা? মহাক্লা চীফ মিনিষ্টরদা শীখিবা মরালশিংদুগী অচুম-চুমদা শেংদোক-শেংজিন তৌনবগী ৰাফমদি লৈখিদবনা, ৰাফম অদু 'তঙ্খায় চুম্বা, তঙ্খায় লানবা' ৰা ওইনা লৈহৌবা তাবনি।

মরম অসিনা, মীচম ঐখোয়দদি 'কনাবুসু থাজবা ঙমদবা' ফীলিং অমা ফাওহল্লে। লৈনরিবা থরুম অসি মতম খরদি কোক্কদবা মান্দে। কেবিনেট-কল্লিগ মরক্তা 'ম্যুচুঅল-ত্রষ্ট' (অমগা অমগা থাজনবা) য়াওদনা কদায়দগী অফবা গভর্ণান্স? অহলশিংনা হায়নবা 'শিবা ঙাইবা' হায়বদুগুম, চহী অমগা থা খরতা ঙায়শিল্লক্লবা গভর্ণমেন্টসিগী টর্ম লোইবা ঙাইবা তাবনি। মথংগী টর্মদা এসেমব্লি'সিদা অমুক হল্লক্কনি হায়বগী থাজবা মাঙখ্রবা এম এল এ ময়াম অমা কোভিদ-১৯গা য়াওনমিন্নদুনা মথংগী ইলেক্সন থেংনদৌরি। মখোয়গীদমকসু ইথৌ লৈত' ৰাবীরুরি।

মার্চকী অরোইবা চয়োল, এপ্রিল-থাগী অহৌবা, প্রাইম মিনিষ্টর মোদি'সু সেল্ফ-কনফিদেন্স'কী চাং হাইফেৎ-থাক ৰাংলম্মী। মতম চানা লোকদাউন তৌহৌবগী মহয় শোয়দনা ফংগনি। মালেমনা লাক্ল বা ঙমদ্রবা কোভিদ-১৯, ইন্দিয়ানা লায়না লাকশিনগনি। মণিপুর'সু অদু মঙায় - য়ু ভি রেদিয়েসনগী চাং ৰাংই লমদমসিদা কোরোনা চঙলক্লোই ... মপান্দগী চঙলকপা মীশিংতনা পোজিটিভ ওইবনি, লমদমসিদা লৈবা মীদা লানশিনবা ঙমদে, লানশিল্লোই ... স্পেকুলেসন কয়ানি। ঙসিদি, কনাদগী কমদৌনা লৌরকখিবা অনাবনো খঙদবা কয়া থোরক্লে। দিল্লি, মুম্বাই, চেন্নাই, বেঙ্গলুরু, কোলকটা অনাবই খোঙ্গুল লীবই থবক তোকখ্রে। 'ইন্দিয়া পূম্বই খুঙ্গং খুনয়া, কদায়দা কনা নারিবা, মশীং কয়া শুরবা-ন্যুজ চেনেল অমত্তনা অচুম্বা রেকোর্দ তৌখিদ্রে। রিপোর্টিংসু লেপখরে। কোভিদ-১৯না নারবা মী, মশীং য়াম্বা তান্নবগী মালেমগী লমজেল অসিদা অহুমশুবা মফম কল্লকপা, ঙাঙলম্বা ৰাজাও পূম্নমক, ৰারেম ওল্লক্লবসিদদি, ৰাঙাঙ হৈবা মোদিসু, মচিনবান্দু ফোৎচিনখ্রে। 'মতম চানা লোকদাউন তৌরম্বদুনা অনাবা মশীং য়ামদ্রিবনি' ... ক্লেম অসি ওইরেসে 'ঐখোয়বু করি ওইনা উবজাৎনো, ষণগুম্না খনবরা' হায়না ইথন্তা খোয়দৌথীৎচরিবা। 'লায়রবগী য়াইফ থৌরাং' (গরিব কল্যান য়োজনা) নবেম্বর ফাওবা শাংদোক্লনি, চেঙ লেম্না পীরনি ... লায়রবনা য়াম্বা লমদমসিগী মীয়াম্নদি হরাওজবা পাউজেল অসি তাবদা ঐগী ইমিৎসিদদি লমদম অসি শীনবা থুংনা কূপশিল্লক্লবা পাইশিল্লক্লিবা অমম্বা লৈচিল মপৈ অমা ওইনা উই। খন্থবীয়ু অদোমসু - লৈবাকসিগী এদ্যুকেসন সেক্টর থোঙ লোনখিবা থাবুম মঙা শুজিল্লক্লবনি। মূথৎখ্রবা ইকনমিক-ইঞ্জিন নৌনা ষ্টার্ট হৌদ্রিবনি। করিবু খল্লগা কনাবু নীংশিংলগা মোমোন মীনোক তমসিগে।



লৌশিং পুক্কে

# স্কুল তঙ্খিবা অঙাংশিংদা কোরোনাভাইরসকী খুদোংথীবা

মালেমগী অতোপ্পা মফম কয়াদা তৌবগুম্না লমদমসিদসু কোরোনাভাসরস নাবগী মশিং নোংমা-নোংমগী হেনগৎলক্লি। নাকল অমরোমদনা মহৈ-মশিন তম্বগী লমদা কূইনা লেপ্তুনা লৈরকপা অসিনা মহৈরোয়শিংদা অকায়বা লাকপা য়াবগী নুংনাংবসু ফোঙদোক্লরক্লি। চৈরক অসিদা মমা মপা ওইবশিংনা অঙাংশিংবু স্কুলদা লাইরিক তম্বা থাবদা খুদোংথীনিংঙাই ওইগদ্রা হায়না চিংনবা ফাওরি।

স্কুলশিং হাংবা হৌনরকপা মতমদা অঙাংশিংবু শোয়দ-ঙামদনবগীদমক য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সকী সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ত্রোল এন্দ প্রিভেন্সনা চেকশিন-কাঙলোনশিং ইস্যু তৌখ্রে। চেকশিন-কাঙলোনশিং অদুগী মনুংদা অঙাঙ অমগা অমগা ফিট ৬ লাপ্পনা ফমহনবা, অঙাংশিংদা মায়খুম উপহনবা অমদি পূল্লপ পূল্লপ পূনগদবা মফমশিং খুদম ওইনা শান্নবুংগুম্বা মফমশিং শীজিন্নহন্দবা অসিনচিংবশিং য়াওরি।

অঙাংশিংদা থেংনবা কোরোনাভাইরসকী খুদোংথীবশিং মখাদা পীরি:

**অঙাংশিং অসি কোরোনাভাইরসনা চঙবা ঙমদবা নত্তে**— অহলদা নাবগুম্না য়াম্না কন্না নাগন্দ্রবসু, অঙাংশিংসু য়াম্না খুদোংথীনিংঙাই ওইবা মওংদা নাবা য়াই হায়না এক্সপার্টশিংনা হায়রি।

ফ্লোরিদাদা চহী ১৭কী মখাদা লৈবা অঙাং ৪ কোরোনাভাইরসনা মরম ওইরগা শিখ্রে। লায়না লাইচৎ অসিনা কনখৎলকপগা লোয়ননা ন্যু য়োর্কতা কোরোনাভাইরসকা মরী লৈননা হোস্পিটালাইজ তৌবা অঙাংগী মশিং হেনগৎলক্লি। মখোয়শিং অদুগী মরক্তগী কয়া অমা শিখ্রে। টেক্সাসকী চাইল্ড ক্যের ফেসিলিটিশিংদা মীওই ১,৩৩৫ রোম পোজিটিব ওইবা থেংনখ্রে, মখোয়শিং অদুগী শরুক অহুম থোকপগী অমদি অঙাং ঙাক্তনি। ইন্দিয়াগী ওইনসু কর্নটকাগী কালাবুরাগী দিষ্ট্রিক্তা মশাগী চহী ১৭খক্তং ঙাইরিবী নুপীমচা অমা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা শিখ্রে।

নাকল অমরোমদনা, স্কুল হাংনরকপা মতমদা ঐখোয়না নীংশিংগদবা অসি অঙাংশিংখক্তং নত্তে। মালেম পূম্বদা লৈরিবা ওজা মশিংগী শরুক অহুম থোকপগী অমদি মশাগী চহী ৫০গী মথক্তা লৈবা মীওইশিংনি। মখোয়শিং অসি কোভিদ-১৯ না মরম ওইরগা শিবা য়াবগী খুদোংথীবা ৰাংই। লাইওংদি উত্তনা নারগা অতোপ্পদা শন্দোকপা মওং অসি য়াম্না খুদোংথীনিংঙাই ওই। ওজাশিং অদুনা অমুক হেন্না খুদোংথীনিংঙাই ওইবা মীওইশিংদা লায়না অসি শন্দোকখিবা য়াই। স্কুল হাংনরকপা হায়বসিনা চয়োল খরগী মতুংদা কোভিদ-১৯ শন্দোকপগী চাং খঙৰাং ৰাংলক্লবগী মরম অমা ওইবসু য়াই।

সী এন এনগী সিনিয়র মেদিকেল কোরেস্পোন্দেন্ট এলিজাবেথ কোহেননা হায়, অঙাংশিং অসি লায়না শন্দোকপা ঙম্বা অপীকপা ভেক্টরশিংনি হায়বসি মমা-মপাশিংনা খঙই। অঙাংশিংনা কয়ামুক য়াম্না কোভিদ-১৯গী মহীক শন্দোকপা ঙম্বগে হায়বদুদি চপ চানা খঙদ্রি, অদুবু মসি য়াম্না চেকশিন্নিংঙাই ওইবা ৰাফম অমদি ওইরি। লোয়ননা, অহলশিংদা নাবগুম্না অঙাংশিংদদি অদুক হাক্লা কন্নদি নাগন্দে হায়ববু, মখোয়সু য়াম্না শাথিনা নাবা য়াই। অঙাংশিংদি কোভিদ-১৯না চঙবা ঙমদে খল্লগা লায়থোকপা তৌরোইদবনি।

**অঙাংদা উৎলকপা লাইওংগা অহলদা উৎপগা খেন্নবা য়াই** – অঙাংশিংদা তোপ-তোপ্পা লাইওং কয়ামরুম উৎপনা ভাইরস অসিগী চপ চানা খঙবা ঙমদবা মওং অদুদা মতেং পাংশিনবা ওইনা থোক্লি। খেন্নবা লাইওংশিং অসিনা মরম ওইরগা লায়না অসিগী চপ চাবা লাইওং তাকপদা হেন্না অৰাবা ওইহল্লি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেট্স অমসুং য়ুনাইটেদ কিংদমদা হোস্পিটালাইজ তৌখিবা মশাগী চহী ২ দগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংদা মল্টিসিষ্টম ইনফ্লেমেটরি সিন্দ্রোম হায়না খঙনবা ফিভম অমা থেংনখি। মসিগী লাইওংশিং অদু টোক্সিক শোক সিন্দ্রোম অমদি কাৱাসাকি দিজিজ হায়রিবা ঈ উতোংশিংগী ৱালদা ইনফ্লেমেসন তৌহনবা লায়নাশিংগী লাইওংশিংগা মান্নে হায়রি। য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌওং ওইনা মসিনা ঈগী ঈচেল কা হেন্না নেমথহনবসু য়াই।

অঙং কয়া অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইখ্রে অদুবু নীংশা হোনবা ৰাবগা মরী লৈনবা কোভিদ-১৯গী লাইওংশিং অদুদি থেংনখিদে। মখোয়দা থেংনবা লাইওংশিংগী মনুংদা ফুরি থোকপগা লোয়ননা টেম্পরেচর ৰাংবা, ঙকশমগী গ্লান্দ পোমথোকপা, হেন্দস এন্দ ফিট, চীনবাল চেকখায়বা অমসুং মীৎ অনীমক্তা ঙাঙবা অসিনচিংবশিং য়াওই।

অমেরিকান একাদেমি ওফ পিদিয়াট্রিক্স জর্নেলদা পব্লিস তৌখিবা ষ্টদি অমগী মতুংইন্না কোরোনাভাইরসনা মরম ওইরগা অঙাংশিংদা তোঙান তোঙানবা লাইওং কয়া অমা থোকহল্লি হায়রি। ষ্টদি অদুদা ব্রুকলিনদা লৈবা মেনমোনাইদ্স চিলদ্রেন'স জেনরেল হোস্পিটালগী ডা. রবিয়া ওঘা অমসুং মহাক্কী কলিগশিংনা কোরোনাভাইরস নারবা অঙাং ২২বু ষ্টদি তৌখি। অঙাং অয়াম্বদা কোরোনাভাইরসকী লাইওং অমত্তা লৈতবা থেংনখি। অঙাং ১৫দা লাইহৌ হৌখি, অদুগা অঙাং ৯ অমদনা নীংশা হোনবা ৰাবগী লাইওংশিং থেংনখি। অঙাং অনী অমদনা সিজর অদুগা অনী অমদনা লাইওং অমত্তা উৎখিদে।

**অঙাংশিংদা মীৎয়েং চঙবা রিসার্চ কয়া লৈতে** – মালেমদা কোরোনাভাইরসনা চাউনা চৈথেং পীরক্লিবসি থা ৭ লোম শুরক্লে, লায়না অসি থেংনা-থেংননা লায়না অসিগী মরমদা খঙনবগীদমক হকশেলগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা লেপ্তুনা হোৎনরি। মহীক অসিগী মরমদা মমুৎ তানা খঙনবগীদমক মশিং য়াল্লবা টেষ্ট কয়া তৌখ্রবসু অঙাংগা মরী লৈনবা কেসশিংদা মীৎয়েং থম্বদি কয়া লৈত্রি।

সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ত্রোল এন্দ প্রিভেন্সনগী ডা. রোবর্ট রেদফিল্ডনা হায়, ফ্লু শন্দোকপগী খ্বাইদগী মরু ওইবা মচাক অসি স্কুলশিং অমদি অঙাংশিংনা ওইরি হায়বসি খঙনদুনা লৈরে। অদুবু কোরোনাভাইরসকী মতাংদদি মমুৎ তানা খঙবা ওইদ্রি।

অদুমওইনমক ভাইরস অসিনা মরম ওইরগা অঙাংশিংদা য়াম্না কন্না নাহনবা হায়বা অদুদি অদুক্কী মতীক চাং নেম্মী হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

য়ু এসকী হ্বাইট হাউস কোরোনাভাইরস টাস্ক ফোর্সকী দেবোরাহ বর্ক্সনা হায়, অঙাংশিং টেষ্ট তৌবদা খুদোংচানবগীদমক রিসার্চরশিংনা তিলদগী টেষ্ট তৌবা য়ানবা হোৎনরি। চহী ১৮গী মখাদা অঙাং অয়াম্বদি লাইওং উৎতে। চহী কাঙলুপ অসিগী টেষ্ট তৌবগী মশিং হেনগৎহন্দ্রিঙৈ অসিদদি কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা অঙাং কয়াম শিহনবগে হায়বগী মতাংদা ইভিদেন্স অমত্তা লৈত্রি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোক্লি।


হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি



**খুমন্থেম সঞ্জিৎ, শিংজমৈ মথক থোকচোম লৈকায়**

লমদম অসিদা কোভিদ-১৯গী অকনবা চৈথেং ফংলিবা অসিগী চৈরক অসিদা ময়াই কাবা চিঙ্গাকশিং ললোনবগী চাংসু হেনগৎলবরা হায়না খল্লি। নোংমা কাংদনা হিরোইন কিলো অদুক ফারে। য়ূমলোন্নবা লৈবাক্তগী ৱিন চুরুট অমদি তোঙান-তোঙানবা মখলগী ময়াই কাবা পোৎলমশিং লেপ্পা লৈতনা পুশিল্লক্লি। লেপ্পা লৈতনা মশীং য়াল্লবা পোৎলম কয়া ফারি। লমদম অসিগী চিংগী মফম কয়াদসু পোপি পাম্বি কয়া থাদুনা দ্রক পুথোকপগী লম্বী অসিদা শরুক য়াশিল্লক্লি। পোপি পাম্বী কয়া পুলিসনা য়ানথৎপসু লেপত্রি। অদুবু য়াম্না নুংঙাইত্রিবা ৰাফমদি দ্রগ ললোনবা মীওইশিংদা চপচাবা লোগী চৈরাক পীবা ঙমদবা অমদি পোপি পাম্বি থারিবা মীওইশিংবু ফাগৎপা ঙমদবা অসি করিগীনো হায়বসি মীয়ামগী অচৌবা ৰাহং অমনি। লৈবাক অসিদা ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা হৌরক্লিবা মীওইশিংদি নিশাগী ইরোনুংদা লুপখিবা য়ানা লৈরে। মরম অদুনা লমদম অসিগী মমা-মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু য়াম্না কুপ্পা শেন্নবগী মথৌ তাই। হৌরক্লিবা মীরোলশিংনসু ৰাখল ফাথবগী তঙাইফদবা লৈ। ললোনবশিংনা ময়াই কাবা পোৎলম ফনা য়াম্না পুশিনজরক্লবসু লৈগদবা মীওইশিংনা লৈবিদ্রবদি ময়াই কাবা পোৎলমশিং পুশিল্লকপা লেপখিনি হায়বসি মীপুম খুদিংনা খন্থহন্নিংই।



**আর এ মিনাম, য়াইরিপোক তুলিহল**

লৈঙাক্কী মায়কৈদগীদি অহল ওইরবশিংগী ওল্ড এজকী পেন্সন ষ্টেট অসিগী অয়াম্বা মীওইশিংদা ফংহনখ্রে, থক্লনবা ঈশিং, হকশেলগী কানরবা কার্দশিং শাদুনা পীখ্রে অমদি প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজনাগী মখাদা য়ূম অদুক শাখ্রে হায়বনচিংবা ৰাফম কয়া ফোঙদোক্লি। লৈত-লায়রবা অহল-লমনশিং অমদি লায়রবগী পনখৈদা লৈরিবা মীওইশিংগী য়ূম শাবিবা পূম্নমক অফবা খোংথাংনি। অদুবু লৈঙাক্কী মায়কৈদা মীচম অমা ওইনা হায়জনিংলিবা ৰাফমদি ঙসিসু হায়রিবা লৈঙাক্কী কানরবা স্কিমশিং অসি ফংদ্রিবা মীওই কয়া লৈরি। অসিগুম্বা ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদা অহল-ওইরবা মীওইশিংনা অমদি লৈত-লায়রবা ইমুংশিংনা ময়ুম মকৈ লৈতবদগী নোং য়ুরবা য়ূমদা অমদি নাতৈ চাদবা ফীভমশিংদা লৈরিবা মীওইশিংবু অখন্নবা টিম অমা শেম্বিদুনা খঙদোক্লবা হোৎনরগা মখোয়গী ফংফম থোকপা লৈঙাক্কী খুদোংচাবশিং অদু ফংহনবিরবদি মীচম মীয়ামগী অপেনবা হায়বদু ওইগনি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা অথুবা মতমদা লম-লমশিংদা অখন্নবা টিম থাবিদুনা লৈত-লায়রবা ইমুংশিংবু খঙদোক্লবা হোৎনবিয়ু হায়জরি।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

# পেন্সনর অমদি ফেমিলি পেন্সনরশিংনা ৰাকৎ মীফম চথরি

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস): পেন্সনর অমদি ফেমিলি পেন্সনরশিংনা ঙরাংদগী হৌনা ৰাকৎ মীফম চথরকখিবা অদু ঙসিসু পিশুমথোং কম্যুনিটি হোলদা মখা তানা ফমখ্রে হায়না মণিপুর ষ্টেট পেন্সনর য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্ট রাজেন্দ্রোনা মীফমগী থৌবু ওইদুনা পিশুমথোং কম্যুনিটি হোলদা ৰাকৎ মীফম ফমখি। তরেৎশুবা সেন্ট্রেল পে ইন্দিয়াগী অতৈ মফমশিংদা চৎনবা হৌখ্রবনি। পেন্সনগী পীকখ্রবা শেনফম খরা ফংজরিবা পেন্সনরশিংদা হৌজিক ফাওবা দি আর অমদি দি এ হাপকৎপীদ্রিবা অসি পেন্দবা ফোঙদোক্লি।

মতম-মতমগী ওইনা পোৎচৈ তাঙবগী ফীভম অদুম্মক লাক্লি। অথুবা মতমদা দি আর/দি এ মতমগা চুনবা মওংদা ফংহনবীয়ু। অৱাৎপা চাদা ১৪গী শেনফম অদু হাপ্পীয়ু হায়না ৰাকৎ মীফম অসি ফম্বনি। লৈঙাক্লা তাবীদ্রবদি মখা তানা চথখিগনি হায়নসু মখা তারি।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৰাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১১।০৭।২০২০ ইং, থাংজ; নুংথিল পুং ১.৩৪ ফাওবা ইঙেলগী ২১ নি পাল্লি, মতুং ২২ নি পানগনি।

**মেষ :** লাই-গুরুনা চানবীবা, অরাপ্পদগী কান্নবা ফংবা, নচাক নরল চাওখৎপা অমদি মীয়ামগী মতেং ফংবা নুমিৎনি। মরুপ-মপাংনদি লৌথোক চাথোকনিংগনি-চরাংনগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চানগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**বৃষ :** মীয়াম্না য়াকা, লল্লোন ইতিক্তা চাউনা কান্নবা ফংজবা অমদি অনীংবা থবক লায়না পাংবা ঙমগদবা নুমিৎনি। নচাক-নরলদা মরুপ-মপাংনা মীতাবা লৈগনি-তপথৌ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**মিথুন :** লন-থুম চাওখৎপা অমদি লাইবক ফবা নুমিৎনি। শেল-থুমগী লম্দা কান্নবা ফংগনি অমদি মীচং হেনগৎকনি। নক্লবা মরুপ্নদি য়েংশিনবা লৈ- ৰাঙাঙ হৈয়ু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা মপা চাই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**কর্কট :** নথক থোংবনা চানবীবা ৰাৎলি অদুনা চরাংনবা অমদি হোয়া ফবা তৌগনু। থৌরম য়াৎথোকপদি হৈগনি অমদি ঙাঙ-শকপা হৈগনি। অদুবু অখঙ-অহৈদি শাগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফবা ৰাৎলি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**সিংহ :** হকচাং নুংঙাইবা, পাইরক্কী লৌশিং হেনগৎপনা মীনা লাকচবা ঙমদবা অমদি অরুবা ৰারেপ লৌবা য়াবা নুমিৎনি। মীয়ামগী মতেংনা কান্নবা য়াম্না ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশি মরী ফরি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**কন্যা :** নীংবা থুংগনি, লল্লোন ইতিক কান্নগনি, পন্দুনা লৈরুবা শেল-থুম ফংজগনি অমদি ইচং থৌবনা মীকোক থোংবা ঙমগনি। অদুবু ফিংবদি তৌগনু, খোইরাংবা ফাথৌ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবা ফংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**তুলা :** মায় পাকচবা, থবক পাংবা, লন-থুম হেনগৎপা অমদি ইমুং-মনুং ৰা তাননা পাংবা থৌরমশিং কান্নবা ফংজগনি। অদুবু মরুপ-মপাং অমদি নখা থাবনা য়েৎপা লৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা মপা চাই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**বৃশ্চিক :** মতম মাঙবা, অঙম্বনা লুনা তৌবিবা ৰাৎপা অমদি পাউ নুংঙাইতবা তাবা লৈগনি। অদুবু নহৈ নত্রগা নচা-ননাইগী লম্দা পূক্নিং পেন্না মায় পাকচবা লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফবা ৰাৎলি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**ধনু :** পূক্নিং ফাথনা মীয়াম্না য়ানবা চৎপা অমদি অনম তান্দবনা য়াইফবা ওইগনি। হোয়া ফবা য়াদে অমদি খন্থদনবা খুৎচাও থাগনু। য়াম্না লুবা থবক্তি পাংদবা ফৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - অশাওবনা মাঙহনগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**মকর :** নীংবা থুংবা, মীচং হেনগৎপা, শেন্দাল লম্বীদা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। মরুপ মপাংগী মতেংনা অফবা মফম ফংজগনি অমদি ঙাঙথোকপদসু রাশি য়াওগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কুম্ব :** হালেংদবা লন হেনগৎপা, লৌশিং তানশিনবগী লম্দসু মায় পাকচবা অমদি ৰাখল তামিন্নবা য়াবা নুমিৎনি। অচুম্বা মাঙওইনবা কান্নগনি। য়েৎনবদি য়াওরুনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা মপা চারোই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস।

**মিন :** ৰাখল নুংঙাইবা, নীংবা থুংবা, মীচং ৰাৎতবা অমদি মীয়াম্না থাগৎপিবা লৈগনি। অদুবু মীৰা লৌবনা মরুপ-মপাংগা ৰাখল তান্নদবদি লৈগনি, অরোনবা হায়দোক্নু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা লুনা তৌবি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।


থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# অৱাবা মতমদা অমনা অমবু মতেং পাংনবনা মীওইবগী অথোইবা গুন হায়বদু ওইগনি

নোকফেৎ তৌবা মায়থোঙগী মরুমদা

*তেনসুবম একেন্দ্রা, শক্লাইরবা শৈরেংবা*





"অঙৌবা লৈচিলনা ফিজং খনবা, লোইবি চিংশাংনা তুম্পক লেপ্পি ঐখোয় অনীগী ইতৌবু য়েংলি, নুংশিৎ শিৎতনা উনাসে লেংলে নোংসু চুদনা সাইজিনদি চোৎলে, মীগী মচা নুংশিবিও থম্মোয় মশক খঙবিরো, ঐগী থম্মোয় লকানুং লোৎতুনা থল্লিবা নুংশিবা, কায়নখ্রবী নুজা অমনা হৌখ্রবা ঐগী পুন্সিবু নীংশিংহল্লি নহৌনা, চিরোল হৈবী কনাগী লৌনম লাংদা তাহৌরে, নিংজবা আশাদা কাইদোংবা ফংখ্রবি, তাম্না চিংশাং পরেংগী মৈচাক পুবা লাম্মৈসিনা, লংশিনবিরম্লে ঐবু কাইনবগী মৈরিলক্তনচিংবা ঈশৈশিং লমদম অসিগী মীওইশিংগী থম্মোয়দা শক্ল-শোন্নবা কনাবু য়াওরমগনি। অইবা অসিনা ঙসিদি মীয়ামগী থম্মোয়গী অৱাবশিংবু কোকহল্লগে হায়বগী মতাগুম শুমহৎপা অমসুং মীকুপ অমত্তং ওইরবসু পোৎথাবা ঙম্নবগী পান্দমদা ঈশৈশিং লেপ্পা লৈতনা ইদুনা খুদোল তৌরি। অইবা মশামক্লা তাকপী-তম্বিরকপা ওজাশিংগী মতুংদা হৈনা তুংইন্না অমমম্বদা মাদুনা চৎনবা হোৎনরি হায়জরবসু শৈরেংবা অইবা তেনসুবম একেন্দ্র ঙসিদি লমদম অসিগী শক্লাইরবা অইবা অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

তেনসুবম একেন্দ্র, অপোকপা তেনসুবম কুলচন্দ্র অমদি অপোকপী তেনসুবম ওংবি মোধু অনীগী ইতোন তোন্না ফংজখিবা মচানুপানি। ইম্ফাল ইষ্টকী মনুংচন্না লৈবা লম্লাই ময়াই লৈকায়দা একেন্দ্রা পোকখি। মতম অমদা ওল ইন্দিয়া রেদিওদা ক্যুজগী থৌরম অমা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা পোষ্ট কার্দতা সাইন্সকী ৱাহং কয়া ইদুনা থাখি। লোয়ননা মণি-মালাগী চিঠি পাউখুমদা চিঠি থাদুনা ৱাহং কয়া হংখি। মহাক্লা থাজখিবা চিঠি ওল ইন্দিয়া রেদিওদা পাথোরকপদা থম্মোয়দা নুংঙাইবা অমা ফাওবগা লোয়ননা মতম অদুদগী হৌনা ইবগী লম্ অসিদা চঙবা হৌরকখি। তশেংনা অহানবা ওইনা ইবা হৌরকপগী ইথিল অসি ওল ইন্দিয়া রেদিওনা পীবিখি। তপ্না-তপ্না ইবগী লম্ অসিদা চঙশিল্লক্তুনা অহানবা ওইনা কুমজা ১৯৯৫দা ঈশৈ ইবা হৌরকখি।

তাকয়েলদা লৈবা পোলিটেক্নিকতা দিপ্লোমা ফার্মাসি তম্লিঙৈদা হাওবিজম চিংলেম্বা কৌবা মমান্নবা অমা থেংনখি। মমান্নবা অদুনা লমদম অসিগী শক্লাইরবা শৈশকপা বি কুঞ্জবিহারিনা শকপা ঈশৈ অমা মহাক্লা ইবনি হায়না ৱারী শারকপদা হান্নদগী ঈশৈ ইবা পাম্না লৈরম্বা অদু মতা চানরুদনা মমান্নবা অদুদা মতৌ করম্না ঈশৈ ইগনি তাকপিয়ু হায়বদগী ঈশৈ ইবদা চঙবা বেসিক নোলেজ খরা তাক্লকপা মীকুপ অদুদা ঈশৈ অমা ইথোকখি। লাইরিক তম্মিনরকখিবা হাওবিজম চিংলেম্বা অমদি শক্লাইরবা ম্যুজিক দিরেক্টর আর কে জিতেন, বি জয়ন্তকুমার অমদি জিতেন খাইদেমনা তাকপিরম্বা লিক্লম অদুদা চৎনবা হোৎনদুনা ঈশৈ ইবগী লম্ অসিদা চঙলকখিবনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোরকখি।

তপ্না-তপ্না ঈশৈ ইবা হৌরক্তুনা এ আই আর ইম্ফালগী অইবা অমা ওইনা এপ্রুভসু তৌখি। মহাক্কী পুন্সিগী ওইনা অহানবা ঈশৈ ওইনা মশামক্লা ইবা তেল্লৌদগী শৈশকপা সোইবম ভৈগ্যানা শকখিবা ঈশৈ 'নুংশি শৈহৌদা কায়নখ্রবি' হায়বা ঈশৈনা ওইখি। লৈখিদ্রবা সঞ্জেনবম বঙ্কিমচন্দ্রনসু 'থিররোই-থিরোই পুন্সি খোঙলোয় থিররোই' ওল ইন্দিয়া রেদিওদা শকখি। কুমজা ১৯৯৯দা ব্রজবাসিময়ুম বিদ্যনিধি শর্ম্মানা শকখিবা ঈশৈ 'নিংজবা আশাদা কাইদোংবা ফংখ্রবি' মীয়াম্না য়াম্না পাম্নখিবা ঈশৈ ওইখি। হৌজিক ফাওবদা চাউরাক্লা ঈশৈ ৭০০মুক ইখ্রে। লোয়ননা 'শক্তম শক্লোন, চাকচা য়ুথক' হায়বা ঈশৈ লাইরিক অনী অমগসু ফোঙখ্রে। লমদম অসিগী শক্লাইরবা শৈশকপশিংনা ঈশৈ ২০০মুক শকখ্রে।

ঈশৈ অমা ফাওহনবা অমদি মীয়াম্না পাম্নবা হোৎনবদা ময়েক্লা চানবা শুর অমদি কোইথুম্নবা খোঞ্জেল চংই। লোয়ননা ম্যুজিক দিরেক্টর, শৈশকপা অমদি ঈশৈ ময়েক ইবা মীওইশিংগা য়াম্না নক্লনা লোয়ননা চৎপা অমসু মথৌ তাই। মরমদি ঈশৈ ময়েক শুর পালকপা মতমদা ঈশৈ ময়েক্তা খজিক ওন্থোক-ওনশিন তৌরক্তবা য়াদবা মতাং কয়া য়াওরক্তবসু নত্তে হায়নসু অইবা অসিনা ফোঙদোরকখি। একেন্দ্রগী অহানবা ওইনা ফিল্ম দিরেক্টর, আর্টিষ্ট অমদি ম্যুজিক দিরেক্টর অমসু ওইরিবা লমদম অসিগী শক্লাইরবা ওকেন অমাকচমনা ফিল্মদা ঈশৈ ইনবগী অহানবা তাঞ্জা পীবিখি। "উ দ গ্রেট, থৱানগী পুর্ণিমা, ৱেষ্টন সংকৃতন, ঈশ্বর মাসু অঙাওবনি, চৌচৌ মোমোনা হাওবরা শিংজু বোরানা ওইনম্বরা, ইকাইবনা শিরে" হায়রিবা ফিল্মশিং অসিদা আর কে জিতেননা পুশিনবিদুনা ফিল্মগী ঈশৈ ইবনগী তাঞ্জাসু ফংখি। লোয়ননা শক্লাইরবা ফিল্ম দিরেক্টর, ফিল্ম মেকর অমদি অইবা বিরজিৎগুপ্ত লাইশ্রমনা পুথোকপা ফিল্মদা ঈশৈ ইনবগী খুদোংচাবা কয়াসু পীবিখি। 'ৱাকচিংগী উলেন' ফিল্মদা 'অঙৌবা লৈচিলনা ফিজং খনবা, লোইবি চিংশাংনা তুম্পক লেপ্পি ঐখোয় অনীগী ইতৌবু য়েংলি' হায়রিবা ঈশৈ অসিসু মীয়াম্না য়াম্না পাম্নখিবা ঈশৈ হায়বদু ওইখি। অনৌবা ঈশৈ ওইনা 'শজিবুগী লৈহাও' ফিল্ম অমদি অতোপ্পা ফিল্ম খরগা লোয়ননা মতম ঈশৈদসু লাক্লগনি।

মালেমদা খ্বাইদগী অপিকপা কাংলুপ হায়রগদি অইবশিংগী কাংলুপ অসিনি। মণিপুরগী ওইনসু অমুক্তা হেন্না য়াম্না পিকপা কাংলুপ হায়বদু ওইরি। অপিকপা কাংলুপ অমা ওইরুবনসু লমদম অসিগী অইবশিংগী ফীভম য়াম্না ফনা লৈরি হায়বদি য়ারোই। অইবশিংনা শুপ্পগী ইজ রিবা শৈরেং, ৱারেং অমদি ঈশৈ মীয়াম্না পাম্নরকপা অদুনা পেন্থোক্লা হিংবা হায়বদু ওইরি। লোয়ননা অইবশিংনা লৈবাক অমবু অমদি খুন্নাই অমবু হিমাই চুম্বগী লৌরিবা অচৌবা থৌদাংবু খঙবিরদুনা লৈঙাক্লা অমদি মরী লৈনবা মীওইশিংনা লমদম অসিগী অইবশিংবু য়োকখৎপিনবা থৌরাং-থৌশিল পায়খৎপীবা মথৌ তাই। অইবগী লম্দা চঙলকপা পাম্বা হৌরক্লিবা মীরোলশিংনা মমালোলবু য়াম্না ফজনা মমুৎ তানা খঙবগী তঙাইফদবা লৈ। ৱাহৈশিংবু মফম চানা থম্বা ঙম্নবা অমদি কৎথোকপা অমগা লোয়ননা খনখিবা ৰাখল হোংদনা হোৎনবা মথৌ তাই। অইবা অমা ওইরগদি য়াম্না তনদবা অমসু চঙই। অৱাবা মতমদা ঈশৈ ময়েক্তা তাইনদুনা ৰাখল পেন্থোক্লবা হোৎনবনা একেন্দ্রগী হৈনবী হায়বদু ওইরি। পুন্সি হায়বসি মখল-মথেলনি তৌবতবু অৱাবা লাকপা মতমদা অমনা অমবু মতেং পাংনবনা মীওইবগী অথোইবা গুননি। মীয়ামগী থৌগল ঙসি খজিক তৌবা ঙমজরিবা অসি অপোকপা-অপোকপী, তাকপী-তম্বিরকপা ওজাশিং অমদি মীয়ামগী মীনুংশিগী থৌজালনা ঙমজবনি হায়নসু অইবা তেনসুবম একেন্দ্রনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখি।

ডা. খাইদেম অথৌবা